থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট - হিন্দি তম্বা তারিমাল্লে

ইন্দিয়ন পোলিটিক্স - ঙসিদি অরুবা তাঙ্কক অমদা লাক্লে। পোলিটিক্স কদায়বু কৌবগে? পোলিটিসিয়ন হায়বসি কনানো? মালেম পুম্বনা য়ানরবা, অফাওবা থিঙ্কর কয়ানা হায়রম্বা, ইরম্বা ৱা কয়াদু পুম্লান লানহল্লিবা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্স অমদি পোলিটিসিয়ন ঙাক্তনি। ওম্থোক্না হৈনবু থোল্লম্মী - 'রাজ নিতি', নিংথৌ-লীচৎ। নিংথৌগুম্না লৈবা, নিংথৌগুম্বা ঙাঙবা, নিংথৌ অমগী মচৎ-মওং চপ-চানা তৌবা ঙম্বদুবু কৌবা তাই-রাজনিতিৱালা। অদুবু, ঐখোয়' লোন্দদি ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক ওইনা শীজিন্নরমদে। হৌফম শাৎফম মান্নরক্তে হায়বা তাক্লবা শাংলবা পুৱারী (ইতিহাস) অমা লীরুদ্রবসু ৱাহৈসিতং নৈনরগা খঙগনি। নিংথৌ-লীচৎনা অমনি লৈঙাক-লোন'না অমনি। লৈবাক ঙাকপা, লৈঙাক হৈবা মীদুবু কৌই লৈঙাকপা। ঙসিদি, লৈঙাক-লোন অদুনা রাজ-নিতি ওনখিদুনা, মীয়াম-লৈঙাক (গনতন্ত্র/দেমোক্রেসি) লাকখিঙৈদগী মীয়ামগী মীহুৎ খুদিংমক নিংথৌ অমমম ওইখরে। চহী মঙা মঙাগী নিংথৌ ওইনা পাল্লুনবা মীয়ামদা মমল পীরম্লগা চৎখিবা। চাওখৎ-থৌরাং, য়াইফ-থৌসিল-মমিংতগী ৱানি। মীয়ামগীদমক অমত্তা নত্তে, মখোয় মখোয়গী পুন্সি, নিংথৌগুম লেনবা ঙম্নবা শেমজবা পাম্বে অমমমনি। চহী মঙাগী মতুংদা অমুক 'খুবাং-চাংজৌ-তরা-লোন্নবই দ্রামা' শান্নরবা য়ানবা, দ্রামা মচা মচা ময়ামগী খূৎচাউ থাবা প্রদক্সন কোষ্ট' পী'ঙম্নবা তাল্লিবনি। য়েংঙুদনা, শেনবা-থুম্বা চহী (ফাইনান্সল য়র) হৌবা থা (এপ্রিল) লোইখিবা, থাবুম অনীফাওবা মপূম ফাদ্রি 'গোভর্ণমেন্ট একাউন্টতা ওভরদ্রাফট তারে, রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা গভর্ণমেন্ট একাউন্টতা শেল কায়বা য়াহন্দ্রে'... হায়বা পাউ অদুনা লৈবাক শরা শনখ্রিবনি। হৌদ্রিঙৈদা পুথরবা শেনবা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদদি কমদৌনি? 'সিবু অমুক খুমখিসিরা! লৈঙাক্কী শেল লৈতদুনা শেঙ্গাও হাঙবই ৱাতনি, এম এল এ, মিনিষ্টর পূম্নমক্কী শেঙ্গাওদি পুমথন থন্না লৈরম্মি। অসিগুম্বা তানফমসিদবু ২০২০দা সেভেন্ট-পে-রিকম্মেন্দেসন চৎনহন্দুনা ষ্টেট-গভর্ণমেন্ট-ইমপ্লোয়ীশিংগী খূৎশুমল হেনগৎহনগনি ৱাশক-থোক্লুবা করম্না ওইথোকহনগনি? লুরবা ৱাহং অমনি। অসিগীসু মথক্তা চহী অনীমখায়মুক্তা ঙায়রিবা লৈঙাকসিগী লুচিংবা শিন্দোক্কদবনি হায়বগী 'মতাং-চাদ-মেলৈ-লাংব'গী ঈরাং! চহী তরামঙাদা কোংগ্রেস-লৈঙাক্না তৌবা ঙমখিদবা থবক ময়াম, থা তরামঙাদা বি জে পি লৈঙাক্না তৌবা ঙম্লে হায়দুনা লাউখিবদুগা, ওইরক্লিবা থৌওংসিগা ওম্থোক্না ইকায়নীংঙাইনি। পাউচে খরনা পাউদম্মি-ঈরাং অসি নেমথখ্রে। অতোপ্পা পাউগী লিখুন অমনদি হায় - কদায়দই ঈরাং নেমথবা, মনুংদা উংখৎনবদুদি হনবা লৈতে ... লুচিংবা শিনবা নৎত্রগা এনিমেটেদ সস্পেন্সন! শোয়দ্রবনি, অমদি। লুচিংবা শিনবা পামদবা মন্ত্রি শিন্দোক-শিঞ্জিনদি পাম্বা এম এল এ খরনা ... 'লৈঙাকসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী মত মান্নদবা, লুচিংবা শিনবগী লালহৌনচিংবা হৌবা অমত্তা লৈতে' ... হায়না পাউমীশিংদা হায়রুবদা, লালহৌ হৌরিবা এম এল এ খরনা পাউখুম ওইনা শেংদোরকখিবা, অদুনা তাকই - পেন্নদবা খরদি লৈনরে অচুম্বা ঙাঙবা হায়বদুদি পোলিটিসিয়ন অমগী মরমচৎ নত্তবনা - নাকল অনীসিগী মরক্তা খরা হেন্না চুম্বদু খন্দোকপা ৱাবই ৱানি।

শোমদা ঐখোয়' লৈঙাকপশিংনা করম্বা কৈরাক খূমথরকপই ৱারী, মীয়ামসিনা পেন্নদনা শানরিঙৈ, হন্দক্তা ৱাশক লৌখিবা 'দিল্লিদা শেম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক অদুগী লৈঙাক থৌগায় হৌবা নুমিৎ, লোক-সভা অমদি রাজ্য-সভা অনীগী অপূনবা মীফম (জোইন্ট সেসন) অদুদা, লাক্কদৌরিবা চহী মঙা অসিদা অনৌবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলক্কদবা থবক থৌরম কয়াদুগী লম্বী অমদি মায়ওন তাকপনি লৌনরিবা, ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট'না 'মীয়ামগী অমদি ষ্টেটকী মীহুৎ' ময়ামদুদা মাগী ৱারোল পীরিঙৈ মতমদুদা 'শাংলবা মিনট কুনমরি' - কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট 'রাহুল গান্ধী' না প্রসিদেন্ট 'রাম নাথ কোবিন্দ'গী ৱারোল অদু মনাকোংদা শুকহাপ হাপ্তুনা, হন্না ফাওবা য়েংদনা মোবাইল ফোন শান্নদুনা লৈবগী ভিদিও ক্লিপ্পিংস ময়াম অমা নেসনল ন্যুজ মিদিয়া হাওস কয়ানা চাইথোরক্তুনা অচৌবা পোলিটিকল ইস্যু অমা ওইহল্লক্লে। ফোন্দা মিনট কুনমরি শান্নরুরগা, অতোপ্পা মিনট কুন অমনা মমা ইবেম্মগা ওনশিন্নদুনা ৱারী শাদুনা লৈ। প্রসিদেন্ট অমনা পীবা ৱারোল ফাওবা থওইদবা ঙম্বা পোলিটিকল লীদর অমনা, করম্না রেস্পোন্সিবল ওইবা পোলিটিসিয়ন ওইরক্কদৌরিবনো? নেসনল দিবেট অমা ওইরকপদা কোংগ্রেস লীদর 'আনন্ত কুমার'না রাহুলবু কনখৎতুনা হায়... 'প্রসিদেন্টনা ঙাঙখিবা ৱাফম খুদিংমক রাহুলজিনা য়াম্না মুন্না, পূক্নিং খোয়জংনা তাখি, খঙবদা ৱাবা হিন্দি ৱাহৈ খরা মোবাইল ফোনগী মতেংনা খঙননবা হোৎনরুবনি... ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টপু থওই উশিত্তবগী ৱা করিসু লৈতে'...।

প্রসিদেন্ট 'রাম-নাথ কোবিন্দ'গী লেকচর/স্পিচ অদু ঐহাক, রেকোর্দিং ওইনা য়ু ট্যুব'তা য়েংলে। ইমালোনসু নত্তবা ঐনফাও খঙবদা ৱানা থোক্তবা, খুদক্তা ইরোন্দা হন্দোক্তুনা ঙাঙবা ঙম্বা ইচম চম্বা হিন্দি লোন'নি। রাহুল'না ৱাহন্থোক খঙখিদবা ৱাহৈদু করম্বনো? অমুক্তা তাকপীনীংখ্রেদা! ঐখোয় ময়াম চঙদুনা থা তরুক্কী ইন্দক্সন কোর্স অমত্তং য়াওরুনবা হায়রুসি।

লৌশিং পুক্কে

# ফেট মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চারবদি ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই

ফেট মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চারবদি ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। য়ুনিভর্সিটি ওফ পেন্সিলভেনিয়াগী রিছার্চর জোন লেমব্রিসনা হায়খি, উচিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা ফেট য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা ইন্টেষ্টাইনদা কেন্সর তৌহল্লি হায়বা খঙলকপনি।

'মোলিক্যুলর কেন্সর রিছার্চ' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাং লূম্বা নৎত্রগা লূমদবা অমসুং ময়াং কংবা নৎত্রগা মশা নোয়বগী

ৱাফম্না তোঙান্না থমখ্রগা চাবা থকপগী মওং শোয়রবদি ইন্টেষ্টাইনদা কেন্সর তৌরকই হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হেনবা হায়বসি কেন্সরগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি। অদুম ওইনমক ময়াং কংবা মীওই ওইরবসু ফেটকী শরুক য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চারবদি কোলোরেক্টেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ পেন্সিলভেনিয়াগী রিছার্চর এদিমারা রিসনা ফোঙদোকখি।

রিছার্চরশিংনা উচি খরদা ফেটকী শরুক কা হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক পীজরম্মী। অতোপ্পা খরনা ইচম চম্বা মওংদা অতৈ অতোপ্পা চীঞ্জাকশিং পীজরম্মী। মতম খরগী মনুংদা চাংদম্নদুনা য়েংবদা ফেটকী শরুক কা হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক পীজবা উচি কাঙলুপ অদু ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকপা থেংনখি।

ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদক্কী ওইবা সাইদ ইফেক্টতি পূক নুংশিৎ কাবা, পূক কংখৎপা, থগেবদা অশিনবা কাবা অমসুং থবাক শাবনি। তুংদা থোকহল্লকপা য়াবা লোং-টর্ম সাইদ ইফেক্টনা হার্ট দিজিজগী রিস্ক হেনগৎহনবনি। হকচাং ফনা লৈনবগীদমক ফেটকী শরুক খরদি অদুম্মক চাবা মথৌ তাই। অদুবু অকক্লবা চাং অমা লৈগদবনি।

'ন্যুয়োর্ক টাইমস' হেল্থ গাইদকী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না সেচুরেটেদ ফেট অমসুং ট্রান্স ফেটকী চাং হন্থরগা অন্সেচুরেটেদ ফেটকী চাংনা হেন্না চাগদবনি। তোঙান তোঙানবা শা মরুওইনা রেদ মিটতা সেচুরেটেদ অমদি ট্রান্সফেট য়াওই। ওলিভ ওইল অমদি ঙা মখল খরদনা অন্সেচুরেটেদ ফেট য়াওই। সেচুরেটেদ অমসুং ট্রান্স ফেট য়াম্না চাবনা ইনফ্লেমেসন থোকহন্দুনা ইন্টেষ্টিনেল কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহনবনি।

অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, চাংচৎতা অমেরিকানশিংগী চীঞ্জাক্তা ফেটকী শরুক য়াম্না য়াওই। মদুনা মরম ওইরগা দাইবেটিস অমদি কোরোনরি হার্ট দিজিজনচিংবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়নাশিংগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। সেচুরেটেদ ফেট অমসুং কোলেষ্টরোল য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবনা ঈ উতোংশিং ফুঞ্জিলহল্লি। ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংদি অয়াম্বা মতমদা চেন-চোংদুনা শান্নবনিনা ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চারবসু থোইনা অকায়বা লৈতে। অঙাং ওইরগসু হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাংলগদি ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চাবদা খুদোংথিনিংঙাই ওই।

মীওইবনা চাবদা য়াওখিবা সেচুরেটেদ ফেট অমসুং ট্রান্স ফেটনা ঈ উতোংদা পৈশিল্লকপদগী ঈ উতোং অদু খুজিল্লকই। মদুনা মরম ওইরগা ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোকহল্লি। থৌওং অসিবু এথরোসক্লেরোসিস হায়না খঙনৈ। কোলেষ্টরোল য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক চারবদি হাইপরটেন্সন (ব্লদ প্রেসর ৱাংবা) ওইহল্লকই। ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লক্তুনা ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোরকপদগী ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপনি। কিদনি য়াওনা তোঙান তোঙানবা হকচাংগী কয়াৎশিংদা অকায়বা থোকহল্লকপা মরম্না ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী থৌওং অসি খুদোংথিনিংঙাই ওই।

ব্লদ প্রেসর ৱাংবনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংশিংদি হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক অমসুং কিদনি ফেলিয়রনচিংবনি। চাবা থকপগী মওং শোয়দুনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপদগী টাইপ-টু দাইবেটিস নারকপা তারবদি অমুক্তা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। এথরোসক্লোরোসিসনা মরম ওইরগা ব্রেন য়ৌবা ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লক্লবদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াই। হার্টকী রিজনদা লৈবা ঈ উতোং ফুল্লগনা হার্ট এটেক তৌরকই। হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোকনা মী শিহনবা য়াই।

ঐখোয়না চাশিনখিবা চীঞ্জাক খুদিংমক দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমনা তুমহনবদা গ্যাস থোরকই। অদুবু গ্যাস কা হেন্না থোরক্লবদি হকচাং নুংঙাইহন্দে। নেসনল দাইজেষ্টিভ দিজিজেজ ইনফোর্মেসন ক্লিয়রিং হাউসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ফেট য়াওবা চীঞ্জাক য়াম্না চারবদি পূক ইথন থনগৎতুনা লৈবা মরম্না নুংশিৎ কারকপদগী হকচাং নুংঙাইহন্দে। মরুওইনা থাউদা তাউবা নৎত্রগা ঙৌবা চীঞ্জাক চাবদগী খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকই।য়াম্না তোয়না থগেবদা অশিনবা কাবগী থৌওংবু গ্যাষ্ট্রোইসো-ফেজিয়ল রিফ্লক্স দিজিজ (জি ঈ আর দি) কৌই। মরক মরক্তা জি ঈ আর দিগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবদি এন্টাসিদ শীজিন্নরগা নৎত্রগনা চাবা থকপগী মওং হোংদোক্লগা ফহনবা ঙম্মী। অদুবু য়াম্না তোয়না মায়োক্লরবদি হকচাংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লি। ফেট য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চাবনা খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দ মেদিকেল সেন্টরগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ফেট মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক তোয়না চাবা মতমদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা কোলেষ্টরোল ৱাংখৎল-কপদগী হার্ট দিজিজ অমসুং কার্দিয়াক এরেষ্টকী রিস্ক হেনগৎলকই।

সেচুরেটেদ ফেট অমসুং কোলেষ্টরোল মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাকশিংদি শনশা, হামেং-শা, হোল মিল্ক, ক্রিম অমসুং য়েরুম মমুৎনচিংবনি। মফম খুদিং য়োল্লিবা কুকিজ, কেক, চিপ, ক্রেকর অমদি ফাষ্ট ফুদশিংদা ট্রান্স ফেট য়াম্না য়াওই। য়ারিবমখৈ অসিগুম্বা মখলগী চীঞ্জাক চারোইদবনি।

## চুরাচান্দপুরদা য়ু এন এ য়ু, সিল্লিংস দে পাঙথোকখ্রে

চুরাচান্দপুর, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): সেন্টর ফোর কম্যুনিটি ইনিসিএটিভনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা পুন্না শীনমিন্নদুনা য়ু এন এ য়ু/সিল্লিংস দে ২০১৯ দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী ওইনা মালসাউম এবিলিটি রিসোর্চ সেন্টর, চুরাচান্দপুরদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চুরাচান্দপুরগী দি সি শ্যাম লাল পুনিয়ানা হায়খি, সেন্টর ফোর কম্যুনিটি ইনিসিএটিভগী মেনেজিং দিরেক্টর পাউজাগিন তোনশিংগুম্বা মীয়ামগী ফনবা থবক তৌবা মীওই অমা লৈজবা অসি চুরাচান্দপুরগী মীয়াম অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওইনা লাইবক ফবনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, স্পিসিএল চাইল্ডশিংগী মমা-মপাশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অদু অখন্নবা অঙাংগী মপা অমা ওইনা চপ চানা খঙই। অসিগুম্বা অঙাংশিং অসিনা থেংনরিবা খুদোং চাদবশিং অসি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফজনা খঙবিরগদি চাদা ৯০ দি কোকহনবা ঙমগনি। দিসএবিলিটি হায়বসি শুপ্নতগী পুক্নিংগী ষ্টেট অমনি, মহৌশাগী খুৎশেমশিং অসি ঐখোয়না ফজনা খঙবা ঙমদ্রবদি ঐখোয়সু মীমান্নদবা ওইরকই। অসিগুম্বা অঙাংশিংবু স্কুল কাহন্দুনা মহৈ মশিন নীংথিনা তমহনবা হায়বসি মমা-মপা ওইবশিংগী তৌফদ্রবা মথৌনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোইশিল্লকপদা পুনিয়ানা মখা তারদুনা তুংগী মীরোলগী য়াইফনবগীদমক খল্লগা অসিগুম্বা অঙাংশিংগীদমক্তা ঐখোয়না অঙম্বা খরদং ওইরবসু হোৎনবা তঙাইফদে হায়না তিল্লিবা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনখি।

## ঈ ঈদা প্রমোসন পীদবগী মায়োক্তা কম্মিসনদা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র (এ ঈ) ওইরিবা ডা. এন জি সিনিয়রবু মহাক্কী ফংফম থোকপা এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়রগী পোষ্টতা প্রমোসন পীবীফম থোক্লবসু পীবীদ্রে হায়দুনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) দা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

পিটিসন অসি এ ঈ অসিগী অপোকপী মমা ঙাঙোম ওংবী ইন্দ্রকৈন্য লৈমনা পিটিসনর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী পিটিসন অসিদা ৱাকৎলক্লিবনা লোয়শঙ অসিগী কম্মিস্নার/সেক্রেটরি (ৱার্ক্স)না মহাক্কী মচানুপাগী প্রমোসনগী মতাংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা কেস নম্বর রিট পিটিসন (সী)-৬৮৪ ওফ ২০১৮ গী মতুংইন্না পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু ঙাক্ত্রে। লোয়ননা হৌখিবা কুমজা ২০১৭ গী ওগষ্ট ৪ দা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুগী মতুংইনবা থবকশিংসু লৌখৎপীরক্ত্রে হায়বসিনি।

ৱাকৎ অসি কম্মিসননা লৌখৎখিবগা লোয়ননা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন ১২ গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা মরী লৈনরিবা লোয়শঙ অসিগী কম্মিস্নার/সেক্রেটরি অমসুং চীফ এঞ্জিনিয়রনা মসিগী মতাংদা রিপোর্টঅমা কম্মিসনদা মথং থাগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে।

## 'অরাইবা মওংদা লৌমীশিংদা হার ফংহল্লু'

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা হার পীবগী থৌশিল অসি শেমদোক্তুনা অরাইবা মওংদা লৌমীশিংদা ফংহল্লু হায়না ইচুম কৈরাপ কোম ভিলেজ ওথেরিটিগী চেয়রমেন রেখুপসোং কোমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী খুথাংদা লৌমীশিংদা পীরিবা য়ুরিয়া হার অসি পাট্রা পুথোকপা ঙম্বা মীওই খক্তমক পীরি। চীংদা লৈবা চীংমীদি লৌ উদুনা ফৌ থারবসু পাট্রাদি পায়দে। তম্পাক্তা তায়নবা মফমশিংদা উরিবা লৌ অসি লৌপুদা ফৌ পীরগা উবনা অয়াম্বনি। পাট্রা পায়বা লৌমীদি য়াওদে। হার লৌনবা হোৎনবদা পাট্রা য়াওদবনা ফংদ্রে। চীংমীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবগী মনুংদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পীরিবা হার অসি লৌমীশিংনা লৈরিবা মফমগা নক্লরবসু দিষ্ট্রিক্ট চিংদবদগী লৌবা য়াদবা কয়াসু থেংনরে। মসিনা অৱাবা মায়োক্লহল্লি। দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী য়াম্না থাপ্না লৈবা খুল কয়াসু য়াওরি। অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টতা হার য়োল্লিবা মফমদনা নক্লনা লৈবা অদুবু দিষ্ট্রিক্টতি চিংদবা কয়া অমসু লৈরি। হার পীবগী থৌশিল অসি শেমদোক্তুনা লৌমীশিংদা লাইনা হার ফংহনবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

## প্রিপাক (প্রো) ১, পি এল এ ১ ফারে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমদি ১৫ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিমনা থা অসিগী ২২ গী নুমীদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবদা খুরাই চাইরেন থোংদা ফ্রিস্কিং চেক্কিং চত্থবদা প্রিপাক (প্রো)গী কাদর অমা ফারে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারবা নুপা অদুগী মমিং তোংব্রম বিকাস মৈতৈ এলিয়স য়ুমলেম্বা (২২), অপোকপা টি জিবন কৌই। মহাক থাঙ্গা ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবনি। মঙোন্দগী শেল ওইনা লুপা ৪০,০০০ ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, নুমীৎ অসিমক্তদা বিষ্ণুপুর কম্মান্দো অমদি ৫/১১ জি আর কাঙবুনা পি এল এগী কাদর অমা নাচৌ মমাঙ লৈকায়দগী ফারে। মহাক্কী মমিং নোংমাইথেম ওকেন এলিয়স থৌঙম্বা (৩৭) কৌই।

## দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেন্সিটাইজেসন মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): রিদ্যুসিং ভাইওলেন্স এন্দ প্রোমোটিং এসেস টু জষ্টিস ফোর এল জি বি টি আই ক্যু কম্যুনিটিজ হায়বা হিরমদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেন্সিটাইজেসন মীটিং অমা ঙরাং লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা এ দি আর বিল্ডিংদা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি সোরোখাইবম সদানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীটিং অদু এম এ এস এল এস এনা ওল মণিপুর নুপী মানবী এসোসিএসন, ইম্পৱারিং ট্রান্স এবিলিটি অমদি সোলিদরিটি এন্দ এক্সন এগেনষ্ট ঐচ আই ভি ইনফেক্সন ইন ইন্দিয়ানা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

## পোষ্টর কেম্প্যেন

ইম্ফাল, ২৬ জুন (ঐচ এন এস): দ্রগ লান্না শিজিন্নবা অমসুং লল্লোনবগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ ইন্টরনেসনল দ্রগ এব্যুজ অমসুং ইল্লিসিট ট্রাফিকিং মালেমগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাংথোকপগুম কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ্স এন্দ অলকোহোল (কাদা) না নুমিৎ অসিগা মরি লৈননা থা অসিগী ২১গী মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ষ্ট্রিট কোর্নর মীটিং অমদি পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকপগী মখা চৎথরকপা ওইনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্কী মীয়াম তিনবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ক্লব, মৈরা পাইবী, ৱুমেন সোসাইটিশিংগা পুন্না ষ্ট্রিট কোর্নর মীটিং অমদী পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে। ঙসি চৎথখিবা পোষ্টর কেম্প্যেন অদুদা মণিপুর লৈঙাকনা মণিপুর ষ্টেট দ্রগ পোলিসি অথুবা মতমদা শেমগদবনি, হিদাক মনাগী পোৎলম মপুং ফানা থিংঙু, ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল অমত্তদা চাংয়েঙ তৌবিগনু হায়রি।

ADMISSIONS OPEN

JCRE Skill Solutions
empowering our youth

N·S·D·C
National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape

HURRY UP! Limited Seats Available

| SL. NO. | NAME OF THE COURSE | DESCRIPTION | TENTATION BATCH START DATE | TIMING | DURATION |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | DCA (Diploma in Computer Application) | MS Office/DBMS/Multimedia/Web-designing/e-governance/Networking | 1st Week of July | 07:00am - 09:00am<br>02:30pm - 04:00pm | 6 Months |
| 2 | IT Fundamentals | Ms office/Designing & Publishing content/Internet Basics/ Maintenance & Troubleshooting | 1st Week of July | 09:00am - 11:00am<br>01:00pm - 02:30pm<br>02:00pm - 04:00pm | 3 Months |
| 3 | Travel & Tourism ( Tour Guide) | Overview of Tourism Industry, Tour Guiding Skills, Preparation of Travel Itinerary | 1st Week of July | 04:30pm - 05:30pm | 3 Months |
| 4 | Accountancy & Tally + GST | Accounts Masters & Vouchers Entry/Advanced Tally ERP 9/ Taxation | | 07:30am - 09:30am | 3 Months |





For futher details , Please contact:
JCRE Skill Solutions, Thangmeiband Meisnam Leikai, Opp. THAU Ground Imphal West, Manipur
+917085051125/ +919366847804
Email: info@jcre.co.in
Please visit: www.jcre.co.in
JCRESkillSolutions
JCRE_Skill

HOW TO APPLY:
Qualification:
- Minimum class X passed for the available courses
- Identity Proof: Aadhaar card
- 2 passport size photo

Features:
- Free Counselling
- Free Trial Class
- Audio Visual enabled classroom
- Well Equipped Lab
- Industrial Visits
- Job Placement Assistance

HL-B/5383/23,25,27

RaDiant Group
Celebrating
1 year completion



RaDiant e-ride AUTHORISED DEALER
OFFER

| Models | Old Price | New Price |
|---|---|---|
| Arjun Rickshaw | ₹ 151064 | ₹ 137940 |
| Krishna Rickshaw | ₹ 176326 | ₹ 150820 |
| E-Loader | ₹ 164454 | ₹ 141380 |
| Futura Miracles | ₹ 75240 | ₹ 67450 |
| Race 60 | ₹ 78310 | ₹ 70450 |

RADIANT E-RIDE
GHARI AWANG LEIKAI, AIRPORT ROAD
9366288858

SANGAIPROU, NINGTHEMKOL
7085040962

THOUBAL ATHOKPAM
6009025091

MOIRANG PATLOU LEIKAI
NEAR FISH MARKET
WARD NO. 1, MOIRANG
8787743072

HL-B/5441/4june to 4 july

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ২৭।০৬।২০১৯ ইং, শগোলশেল, অয়ুক্কী পুং ৫.৪৪ ফাওবা ইঙাগী ২৪ নি পাল্লি, মতুং ২৫নি পানগনি।**

মেষ : লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা চাউনা মাই পাক্কনি, অফবা পোরম য়াৎপা হৈবা অমদি ঙাঙথোকপদা মীনা থাগৎপিগনি। অশাওবা অমদি য়েৎনবনা মুক্নবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : অয়ুক অঙনবদা মাই পাক্কদবা অফবা খোঙশাল লৈ,পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংগনি অমদি অনৌবা লৌশিং তানশিনবা য়াগনি। অঙম্বনদি য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : মীচং হেনগৎপা, নচাক নরলসু চাওখৎপা অমদি লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং য়াম্না ফংবা লৈগনি। কিবা পোক্তনবা শকখঙদবা লোইনগনু, অখঙবগী ৱা তাও।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্নিং লাংতক্লগনি-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

কর্কট : অঙনবদা মীপাইবা লৈরম্লসু থেংথরক্লগা মাই পাকপা, থবক পাংবা অমদি নীংবা থুংবা য়াবা লৈরনি। মরুপ-মপাং ফংগনি। হেন্না ইচংদি থৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : মরম চাদনা শেল তিংবা য়াবা লৈ, নথক থোংবগা মাই চান্নদবা লৈগনি অমদি খন্থদবনা য়েক্লবসু হেনগৎপা য়াবা লৈ। অচৌবা লনসু ফংবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - থাগৎপিবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

কন্যা : অঙনবদা নীংবা শোইদনা থুংগনি অমদি অফবা থবক পাংবা হৌহৌবা ফগনি। ইমুং-মনুং অমদি মরুপ-মপাংগা ৱাখল তান্নদবা লৈগনি। থেংলক্লা কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংঙাইবা পাউ তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎপা অমদি মীয়ামগা লোইনবদা নুংঙাইজবা ফংগনি। অনম তাল্লদি য়েংথিনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : শোক পনবা য়াবদগী কোকচবা, ৱানোম-থৌনোম অমদি লল্লোন ইতিক্তা চাউনা কান্নবা ফংগনি। অরিবা থবক্তা নোল্লুক্লা চৎত্রদি পামদবা নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

ধনু : অফবা থবক পাংবগী অমদি ইমুং-মনুং ৱা তাননা থৌ পাংলদি অফবা মীংচৎ ফংগনি। মরুপ খনবা হৈত্রদি মাঙহনবা লৈগনি, খাঙবা কন্দ্রদি অফা-অপুন্ননি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : অঙনবদা নীংবা থুংগনি-পুং নিপালগী মমাঙদা অফবা থৌরম পাংবা হৌহৌবা থোইনা কান্নবা ওইগনি। খল্লুদবা ওইজ ওইথক য়াম্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কুম্বা : নীংবা শোইদনা থুংলক্কনি, য়েক্লা তিংখং লৈরোই অমদি নুংশিবা মরুপ ফংগনি। লাই-গুরুনা চানবীগনি থৌনা ফুদোকপসু য়াগনি। নোল্লুক্নদি চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা খরদি ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : অঙনবদা লাইবক ফগনি, অরিবা শেল ফংবা য়াবা অমদি থবক পাংবা য়াবা লৈ। অদুবু নুংশাথিবা নংদনবা ফিংগনু, লাই গুরুনা য়াদবা তৌবিগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকায়বা নংবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।